এডিটোরিয়েল

[illegible]

অহিং য়ারেকপা প্রোটেষ্ট

বি জে পিগী থৌমীশিংসু প্রোটেষ্টতা শরুক য়াহন্নীংই

মণিপুরগী পুৱারীদা মশক থোকপা মীয়ামগী খোঙজং অয়াম্বা কৈথেল নুপীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরগা লাকখি। অনীশুবা নুপীলানসু অদুমঙাই কৈথেল নুপীশিংনা হৌরকপা ঈহৌনি। পোইনুগী মতমদা চেঙগী মমল ৱাংবা অমসুং চেঙ ৱানগে হায়বা ফংনরক্তবদগী লৈঙাক্কী মথক্তা হৌরকপা অচৌবা ঈহৌনি। মতৌ অসুম্না মণিপুরদা থোকখিবা অকন–অকনবা মীয়ামগী খোঙজংশিংদা কৈথেল নুপীশিং য়াওখিদবা লৈতে হায়বা য়াই। নোংমগী অফংবা য়োন্দুনা ইমুং মনুং পুনরিবী নুপীশিংনা মখোয়গী মথৌদগী থৈদোক্লগা লৈবাক্কী মরু ওইবা ইশুশিংদা য়াওশিন্দুনা প্রোটেষ্ট তৌবা হায়বসি মালেমগী অতৈ মফমদা তৌরমগনি হায়বা থাজদে। কৈথেল ফম্বী নুপীশিং অসি খক্তা নত্তনা লৈরক কোন্সাংদা নৎত্রগা লম্বী–লমজাউদা লৈকাই লৈকাইগী ওইনা প্রোটেষ্ট থোক্করক্লিবশিং অয়াম্বসু নুপী ঙাক্তা ওইনা তৌই। নুপা–নুপীনা খুল্লিংবা খুন্নাই অমদা নুপী খক্তনা প্রোটেষ্ট তৌরগা নুপাশিংনা প্রোটেষ্টশিংদা ইয়াও য়াওদবগী মমি অমা তারিবসি অনৌবা মায়ওল অমদি নত্তে। মসি অফবা নৎত্রগা অচুম্বা মায়কৈদা চৎলি হায়না লৌবসু ঙমদে। মীয়ামগী ওইবা থবক থৌরম অমা পাঙথোকপদা নুপী অমসুং নুপা থোং মান্ননা চৎমিন্নগদবনি। ৱাফম অসি খঙলিবা মণিপুরী খুন্নাইনা লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা নুপী খক্তদা ইনথোকপগী মওং অমা উরকপসিসু নুংঙাইতে। পূম্নমক অসিগী মথক্তা মহৈরোইশিংনা লৈবাক্কী অরুবা ইশুদগী নাথৈরগা মহৈ খক্তা তমগদবনি হায়বা ৱাখল্লোন অসিসু দেমোক্রেসিগী মরুমদদি অরানবা ওইরক্কনি। সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা অহানবা খোঙজং চঙশিনবা হৌবসু মহৈরোই লূপশিং পূনশিন্নরগা হৌরকখিবনি। অদুগা হৌজিক্লা মহৈরোইশিংগী খোঙজং খজিক্তং হন্দোকহল্লগা ইমা–ইবেনশিং ওইনা খোঙজং চঙশিনবদগী লৈঙাক্লা লূম্না লৌদ্রব্রা হায়বগী ৱাফম অমসু লৈতবা নত্তে।

মণিপুরদা হৌজিক সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিল, ২০১৬ না মরম ওইরদুনা কাং–খোং চায়বা ফীভম অমদা লৈরি। মচি–মচি খুদিংদা লম্বী থিংবা, মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফম্বা, মহৈশঙশিংদা নীংথিনা মহৈ তম্বদা অকায়বা পীরকপা, শেন্মীৎলোনগী ময়োল ওইরিবা কৈথেল কয়া থিংজিল্লকপা অমদি মীয়ামগী পুন্সিরোলদা তংদু– লৈতাদবা ফীভম অমা ওইহল্লক্লি। মণিপুরগী পুৱারীদা য়াম্না তাংনা থোকপা থৌদোক অমা ওইনা কৈথেল ফম্বী ইমা–ইবেনশিংনা লম্বীদা অহিং য়ারেক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌরিবসি কনাগুম্বা খরগী থৌইনশিন্ননি হায়না লৌরোয়দবনি। ইমাশিংনা লম্বীদা অহিং য়ারেক্লগা প্রোটেষ্ট তৌরিবসি ঐখোয় পূম্নমক্না ইকায়খূম্নগদবনি। মখোয়গী মরুম থুপ্লগা মচা কয়া অমা লৈরি হায়বসিসু পূম্নমক্না খঙগদবনি। হৌজিক্তি সিটিজেন্সিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা হৌবা দেমোক্রেটিক ওইবা ঈহৌ ফজনা চত্থরে হায়বা য়ারে। অদুবু লুরিবদি মণিপুরদা মপাল ফনা লৈরিবা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী ওইবা ফীরেপ অসিনি। বি জে পি গী নেস্নেল লীদরশিং বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌহন্নীংই অমসুং এক্ট ওল্লগা চৎনহন্নীংই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা ফোঙদোকখিবদা মীওৎ–মীনৈ নঙলবা হিন্দুশিং চঙজফম পীবগা বিল অসিগী মায়োক্তা লৈবগগী অরুম–অয়াং পল্লগা ঙাংখিবদুমক্লা বি জে পি গী এজেন্দা অমনি হায়না লৌবসু য়াই। অমরোমদা মিজোরামদা বি জে পি লীদর অমনা বিল অসিগী মতাংদা কমেন পীবদা মিজোরামদা বি জে পি মুখৎকনি হায়বনচিংবা ৱাফম ফোঙদোকখিবদুসু ঐখোয় নীংশিংমিন্নগদবনি। পোলিটিকেল পার্টিদি অমত্তা ওইবা য়াই। অদুবু পাক চাউরবা ইন্দিয়াদা রিজনেলগী ওইবা ৱাফমসিমদি পার্টিগী অপূনবগী ৱাখল্লোননা চিংদুনা পুবা য়াদে হায়বসি হন্দক্কী বিলগী ৱাথোক অসিনা তাকই। মতাং অসিদা পঞ্জনীংবা ৱাফমদি মণিপুরগী বি জে পি য়ুনিটকী থৌমীশিং ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট নৎত্রগা পার্টি পোলিটিক্সতগী লৈবাক অসিগী মীয়াম্না হেন্না লুম্না লৌহন্নীংই। মীয়ামগী খোঙজংদা শরুক য়াহন্নীংই।

[illegible]

‘আর কে মাইপাকসনা জর্নেলিষ্ট ফেলোসিপকী মখাদা ইবা’

মৈতৈ হিন্দু উসোপকী ভান্দ্রা মথেল

মণীন্দ্র কোন্সম

ঐখোয় মৈতৈনা এন্সাং মথেল–লুকোই থোং–থাক্লগা মীয়াম পূন্না চাকচা–হৈজামিন্নবা হৌরকখিবসি কয়াম কুইরকখ্রবনো হায়বা খঙজদে। ‘চৈথারোল কুম্বাবা’দদি মৈদিংঙু সমৈরাং (খৃ.৫১৮–৫৬৮)গী মতমদা অকল–অথৌ ময়াম চাক খাঙদুনা পীজবা হৌদোকখি হায়বা পল্লি। অদুগা ঙসি ঐখোয়না ‘উসোপ’ হায়দুনা লাইদা লুক কৎলগা ময়াম পূন্না চামিন্নরিবা চাক্লেনগী মওং অসিনা করম্বা মতমদগী চৎনরকখিবা হায়বসু খঙজদে। তৌবগীদি মৈতৈনা উমংলাইগী ‘শরেন চনবা’ থৌরম পাঙথোক্তুনা লৈকাই–খুঙ্গংগী মীয়াম্না পূন্না চাক্লেন চামীন্নবগী থৌরমদি নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতম, মমাঙভৈদগী চৎনরক্লমগনি থাজে। অদুগা করিগুম্বা ‘উসোপ’কী চাক্লেন মওং অসি মৈতৈনা হিন্দু লাইনীং লৌদ্রিঙৈ মমাঙদসু চৎনরম্বা তারবদি হৱাই–চেংৱাই মনা–মশীংগী মথেলতা নত্তনা শা–ঙাগী মথেলসু শোয়দনা য়াওরম্বা তাই। অদুবু মৈতৈ হিন্দুশিংগী ওইনদি লাইদা লুক কৎপা উসোপকী চাক্লেনদা লাঙবা মথেল লুকোয়দদি ঙাদি লায়রদুনা তিল্হৌ–চনম ফাওবা শীজিন্নদে, ভেজিটেরিয়ন পূমশেংনি। অসিগুম্বা উসোপকী চাক্লেন এন্সাং মথেলদা তঙাইমক ফদবা মওংদা শোয়দনমক্কী লফূগী মথেল (চৎনবী ওইনা লফূ অনোয়বা) অনোইবা অমা য়াওহনবা চৎনরকই। মসিদি মৈদিংঙু ভাগ্যচন্দ্র (চীংথংখোম্বা)না মণিপুরদা কাইনাদগী থৈবোং য়াল্লগা শ্রীগোবিন্দগী মিতম শারগা ঈরাৎপা হৌরকখিবা মতমদগী চৎনহল্লখিবনি হায়বা ময়েক শেংই।

মৈতৈ হিন্দুনা লাই ঃ শ্রীগোবিন্দ (শ্রীহরি)দা লুক কৎলগা ময়াম চামীন্নবা চাক্লেনবু করম তৌনা সংস্কৃত / হিন্দীগী ‘উৎসব’ হায়বগী লোন্থৈদা ‘উসোপ’ হায়রকখিবনোসু খঙজদে। উসোপকী চাক্লেন চাববু ঙসিদৈ চহী ৩০–৪০ মমাঙ ফাওবদদি ঐখোয়না “ভান্দ্রা চাবা” হায়রগা খঙনরম্মী। হৌজিক্কী মীরোলশিংনদি “ভান্দ্রা চাবা” হায়রগদি করিনো খঙনররোই। (ভান্দ্রা হায়বা ৱাহৈ অসি মণিপুর মপান লমদমগী মৈতৈশিংনদি ঙসিসু কায়দনা শীজিন্নরি। মখোয়দদি উসোপকী চাক্লেনসু, লুহোংবা মতুং চাক্লৌবগী চাক্লেনসু অদুগা মথেল–লুকোই লাঙদুনা মীয়াম পূন্না চাকচা– হৈজানবগী চাক্লেন চাবসু ... পূন্নমক “ভান্দ্রা চাবা”নি।) মসিদা অমুক, মৈতৈনা উসোপকী চাক্লেনবু করম তৌনা সংস্কৃত / হিন্দীগী “ভন্দার” হায়বা অদুগুম্বগী লোন্থৈদা “ভান্দ্রা” হায়না খঙনরকখিবনো হায়বসু খঙবা ঙমদে। তৌবগীদি উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ, বিহার, রাজস্থান, হরিয়ানা নচিংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা হিন্দুশিংগী চৎনবী অমা লৈবদি থেংনরকখি।

মথক্কী ষ্টেটশিং অসিদা কনাগুম্বনা মাগী লৈখিদ্রবা নুংশিজবা–নুংশিজবী কনাগুম্বা–কনাগুম্বীগী মমিংদা চান–থক্লবগী মথেল–লুকোয় লাঙলগা ময়ূম্মক্তা নৎত্রগা লাইশঙ মনাক ওইরবসু অতোপ্পা খুদোং চাগদবা মফম অমদা তোল্ল–তারবা লৈত–লায়রা চাকনী–ফিনিবা কয়াবু কৌদুনা পীজ–পীথক তৌরগা অঙম্বা তাঙয়িন (দান–দক্ষীনা) খুদোন তমজবগী চৎনবী অমা লৈ। অদুগুম্বা থৌরম অদুবু “ভান্দারা উৎসব” হায়না খঙনৈ। মদুগীদমক অনকপা অকোয়বদা লৈবা তোল্ল–তারবা লৈত–লায়রা চাকনী–ফিনিবা মীওই খরদা অদু–অদুগুম্বা মফমদা অদু নুমিৎকী পূংফম অসূক্তা “ভান্দারা উৎসব” পাঙথোকচগনি, পাউ খরা পীনবিখো হায়দুনা খঙহন্নৈ। খরা পীক্তক্লা নৎত্রগা য়াম্না চাউনা শীনগদবা ‘ভান্দ্রা উৎসব’ কী মতুং ইন্না পাউ য়ৌহনগদবা মফম অদু লৈকাই খুঙ্গং নৎত্রগা লম্বী অদুগী মনুংদা লৈবা হায়দুনা অকক্লবা থম্বা নৎত্রগা থমদবা চৎনৈ। মদুগী মতুং ইন্না ‘ভান্দারা উৎসব’কীদমক লাঙগদবা পোৎলমশিং লাঙনৈ।

মথক্কী চৎনবী অসিগুম্বা মওংদগী লৌরগা মৈতৈ হিন্দুশিংনা লাইওইখ্রবগী মিংদা লাইদা কৎলগা ময়াম চামীন্ননবা লাঙবা চাক্লেনবু লোন্থৈদা “উসোপ” হায়না অদুগা ‘উসোপক’কী চাক্লেন চাববু “ভান্দ্রা চাবা” হায়না খঙনরকখিবা ওইরমগনি হায়বসি থাজনীংঙাইনি। অদুবু থৌওংদি অমম্বগা অঙানবগা খেন্নবগুমখ্রে। ঐখোয় মৈতৈ হিন্দুগী উসোপতদি নক্লবা মরী–মতা, খঙন–চান্নবা মরূপ–মপাংশিংতমক মমিং পন্না বার্তোন তৌরগা ভান্দ্রা চামীন্নৈ, লৈত–লায়রা তোল্ল–তারবশিং পীজ–পীথকপগী মফম য়াওদে। উসোপকী ভান্দ্রাদা মথেল–লুকোয় য়াম্লি মতীক বার্তোন তৌদুনা লকপিরিবশিং অদুগী মমাঙদা য়াম্না লেম্বা শানৈ। লাইওইখ্রবা অদুগীদমক লাইদা য়াম্না নীংথিনা কৎপসু শক্লে।

মৈতৈগী উসোপতা এন্সাং মথেল–লুকোয় য়ামহনবগী মওংসিদি হায়দুনা কান্নদে। শ্রীগোবিন্দগী লুক্কী মথেল–লুকোয় ১০৮ হায়নরিবনি। মৈতৈনা লাইদা কৎপা উসোপকী মথেল–লুকোয়দা, করি নত্তবদসু মথেল মশীং ১৫–২০ হায়বসিদি অমসু অমসু পংলাঙ–লাঙনবা ঙাক্তনি। কনাগুম্বদি মথেল ৩০–৪০ হেন্না লাঙবা য়াওনরিবনি। অদুবু মথেলশিং অদু অহান–অকোন নাইনা য়েন্নবা অমসুং চানবা কাঙলোন কয়া মচা খায়না থম্বিরমদুনা চৎনরম্মী। অদুবু হৌজিক মতমদদি মৈতৈনা উসোপকী ভান্দ্রা মথেল লাঙবদা অমসুং চাবদা মমাঙভৈগী অহল –লমনশিংনা চৎনরম্বা অদু খঙনদ্রবগুম তৌনরক্লে।

মণিপুরদা শ্রীগোবিন্দগী লাঙবা লুককী মথেল–লুকোয় ১০৮গী মরমদা শুগাইনা ইবা লাইরিক লৈ হায়। ঙসি ফাওবদি থেংনদ্রি। য়াম্না খঙনীংনা থিখিবনি। ফংবা ঙমখিদে। অদুবু মৈতৈনা লৈকাই খুল্লক–ইরক্তা কৎনরিবা উসোপকী মথেল–লুকোইগী মরমদদি ঙসিদি লাইওইখিখ্রবা (ঐহাকপু পোকপীরম্বা পাবামক য়াওনা) অহল–লমন কয়াদা ফনা য়াম্না হংজহৌই। মখোয়গী মনুংদা ইরৈকাই (খুরাই কোন্সম লৈকাই) দা চহী ৯৭ লোম পুন্সি–নুংশাংনা লৈবিরম্লগা চহী অহুম্লোম মমাঙদা লাইওইখিখ্রবা ঐক্তা পাবুং লাইময়ুম ৺শ্যামকেসো শর্ম্মসু অমনি। পাবুংগা ঐহাক্লা চহী ১০ রোম মমাঙদা উনদুনা মৈতৈ উসোপকী মথেল–লুকোয়শিংগী মরমদা ৱারী শানজহৌবা অদুদি ওদিও রেকোর্দিংগা কোন্ননা ফোটোকাসু নমজহৌই। পাবুংনা তাকপীরম্বশিং অদুগা অতোপ–অতোপ্পা অহল–লমন কয়া অমনা তাকপীরকখিবশিংগা মান্নবা য়াম্না য়াওই। অদুনা মৈতৈ উসোপকী মথেল–লুকোয়শিংগী মরমদা ইশাগী ওইনদি ঐক্তা পাবুংনা তাকপীরম্বশিং অদু অচুম্বনি হায়না লৌজরে। লৌনিংঙাই মরমসু য়াম্না লৈ। ঐক্তা পাবুং ৺শ্যামকেসো, খুরাই মায়কৈদতা নত্তনা ‘শগোলহৱাই–শ্যামকেসো’ হায়নসু অদুগা ‘চগেম (হৱাইচার চগেম পোম্বা)–শ্যামকেসো’ হায়না মণিপুরদা মমিং চৎখিবা বামোন ফূহৌবা অমনি হায়না ঙসিসু ঐখোয়ই লৈকাইগী অহল–লমনশিংনা হায়নবিরি। ঐক্তা পাবুং ৺শ্যামকেসোনা তাকপীরম্বদা মৈতৈ উসোপকী মথেল লুকোয় য়েনবদা চম্ফুৎ, লফূ অনোইবা, উতি, শুক্তানি, শিংজু, চমথোং নচিংবগী মতুংদা তঙাইফদনা য়াওদুনা শগোলহৱাই থোংবা য়েনবা লোইবগা চাক তাকপগী চৎনবী লৈরক্লিবা অসিগী মরমশিং মচা খায়না খায়না লৈজরকই। উসোপকী ভান্দ্রা চাবা হেক হৌবদা চাকখাউ য়াম্না হাঙবা ওইরগদি চম্ফুৎ হান্না চাগদবনি। চাকখাও হাঙদবা ওইরগদি চম্ফুৎ হান্না চাদ্রবসু কায়দে, শগোলহৱাই অদুম্মক চাবা য়ারে।

উসোপকী ভান্দ্রা চাবা হৌবদা চম্ফুৎ চারবসু চাদ্রবসু শগোলহৱাইদি হৈনরবসু হৈনদ্রবসু খরা চাদবা য়াদে। মরমদি শগোলহৱাই খরা চাশীলহৌবনা চাগদৌরিবা ভান্দ্রাগী মথেল–লুকোয়শিং অদুগী মরক্তা চারিবা মীওই অদুগা করিগুম্বদা য়েমৌনবা মচল য়াওরম্লগদি ঙাকথোকপা ঙম্মী। শন্না হায়রবদা মৈতৈ উসোপকী মথেলদা শগোলহৱাই থোংবা অসিদি হূ চেনবা ঙাকথোক্লবা “এন্টিদোট” অমা ওইনা য়াওহনবনি। শোয়দনসু য়াওহনগদবা অদুগা খ্বাইদগী হান্নসু চাগদবা মৈতৈ উসোপকী মথেলনি। পামজবগী মতুং ইন্না মরক্তসু চাবনা চাবনি, অকায়বা লৈতে।

শগোলহৱাইগী মথংদা চাগদবা মথেলদি উতি থোংবনি। উতি অসিদি শগোলহৱাইগী মতুংদসু অদুগা মথেল লুকোই পূন্নমক চারবা মতুং ইকোন–কোনবা, হৈগীনা হেক মমাঙদসু চাগদবা মথেল অমনি। মথেল অসিসু পামজবগী মতুং ইন্না মরক্তসু চাবদুনা অমনি। অদুবু শগোলহৱাইগী মতুং অদুগা ইকোন–কোনবা হৈগী মমাঙদা উতি চাবা অমসিবু মৈতৈ অহল–লমনশিংনা “উতি নম্বা” হায়না খঙনরম্মী। ‘উতি নম্বা’গী খূৎচা অসিবু তৌরবদি ভান্দ্রা চারুবদা থাউ হেনখিদুনা কোন্না ঈশিং য়ান্না খৌরাংদুনা পংথক–থকপা (ঈশিং কৌবা) হায়দু থোক্লোই হায়বসি মৈতৈ অহল–লমনশিংনা থাজনরম্বা অদুগা হৌজিকসু চুম্লিবা থৌদৌ অমনি (চাংয়েং হেক্তা তৌনবিয়ু, শোয়দনা য়াবিনিংগনী)।

অদুগা মৈতৈ উসোপকী মথেলদা য়াওরিবা চম্ফুৎ হায়বসিনা য়ারিবা থৌদাং য়াম্মী অমসুং চাউই। অহাঙবা চাকখাউদা থাউ–থুম–মোরোক চাশীন্নবগীদমকসুনি। মহাও মান্নদবা মথেলশিংগী অশেংবা মহাও খঙনবা মরক–মরক্তা চীন থৈনবসুনি। অদুগা ইরোয়–লোইবদা চম্ফুৎ চম্ফুৎ হায়বসি খূৎ হাম্বদা সাপোনগুম্না নোইদুনা শীজিন্ননবা মচাক অমনি। হৌজিক্কী মতমদা অহললোল–নহারোলশিংনা উসোপকী (মপাম চাক্লৌবা, চাকচা– হৈজানবা নচিংবশিংদসু) অরোয়বদা য়েল্লকপা থুম অদু খূৎ হাম্বগী ওইনা শীজিন্নৈ। মসিদি অরানবা থৌওংনি। থুম অদুদি মমাঙঙৈ টুথ ব্রস–পেষ্ট শীজিন্নরমদবা অহল–লমনশিং অদুনা মথেল লুকোই চাবা লোইরগা মচীন তেংবদা শীজিন্ননবগীদমক্তনি। থুম য়েল্লকপা অদুনা লাঙলিবা মথেল–লুকোয়শিংগী মশীং লোইরে খঙহন্নবগী থৌদাংসু য়াহল্লিবনি। মতুং মনাওদি অরোয়বদা য়েল্লকপা থুম অদুগী মহুৎ চম্ফুৎ মচেৎ অমনা খূৎ হাম্বদা সাপোনগুম শীজিন্নিবিদুনা অমুক্তং চাংয়েং তৌবিয়ু, হায়জরিবা অসি অচুম্বনি হায়বা শোয়দনা য়াবিনীংগনি।

মৈতৈ উসোপকী ভান্দ্রা মথেলদা য়াওরিবা লফূ অনোইবা (ইরোনবা) অসিগী কান্নবদি হায়দুনা কান্নদে। চাশীনখিবা মথেল–লুকোয় ময়ামদু হকচাংদগী শেংদোরকপদা অঙকপদা মতেং পাঙগদৌবা ‘ফাইবর’ (মশীং)গী ৱানি। য়াম্না সাইন্টিফিক ওইবা মওংদা য়াওহল্লম্বা মথেলনি। মথেল অসিবু মৈতৈগী উসোপতা তঙাইফদনা য়াওহন্নবগীদমক মৈদিংঙু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা, লীশম লোক্কী হাওখুন্দা লৈবা হাওবা সনারৈ হায়বা অমনা লফূ মতূপ অমা শ্রীগোবিন্দদা কৎলবগী নুংশিরবা ৱারী শীংবুল অমা শাগৎপিদুনা মতম অদুগী লাইরিক হৈজদবা মৈতৈ অহল–লমনশিংগী থম্মোয়দা থাজবা পোকহন্দুনা মৈতৈগী উসোপতদি লফূ অনোইবগী মথেল তঙাইফদনা য়াওহনবা চৎনরক্লি, ঙসিসু চৎনরি। উসোপতা লফূ অনোইবা চাবগী থোইদোকপা মতাঙ মতম লৈতে। য়ারিমখৈ মরক–মরক চাশীনবদা কান্নগনি থাজে। য়াম্না চাদ্রবসু ইচামক চাদবদি মাঙজবনা হেনগনি খল্লী।

অসিগুম্বা মৈতৈগী উসোপতা ভান্দ্রাগীদমক লাঙবা মথেল–লুকোয়শিং লাঙবা অমসুং চাবগী কাঙলোন কয়া থম্বিরম্বা অসিমকসু মতম অদুগী মৈতৈ ইপা ইপুশিং অদুনা লৈরমগদবা অৱাংবা ৱাংঙলোনশিং অদুগী মশক অমনি। তশেংনা চাউথোকচনীংঙাইনি।

হোংলক্লিবা মতমগী য়াওল অমসুং নুপী

ডা. হিজম হারনেট

২১ শুবা চহী চা অসিদি ইনফোর্মেসন অমসুং টেক্নোলোজি সেঞ্চুরিনি হায়নরি। ইনফোর্মেসন অমসুং টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাউখৎলকপগা লোয়ননা সেটিলাইট টেলিভিজন, মল্টিমেদিয়া অমসুং ইন্টর্নেট পুথোক্তুনা ঈ পাউগী লম অমসুং ইন্টর্টেনমেন্টগী লমদা (ফিল্ম, সিনেমা) খম থেংনা চাউখৎলে অমদি মীপুম তিংনা শন্দোকপগী খুদোংচাবা লৈরে। চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা মখোয়গী ইকনোমি চাউখৎহন্নবগী থৌদাং ইন্টর্নেস্নেল কলচর ইন্দষ্ট্রিদা শেঞ্জাউ থাদুনা লল্লোন ঈতিক পাকথোক চাউথোকহন্দুনা খ্বাইদগী শেন্দোং তানবা ঙম্লি। লল্লোন ঈতিক্তা কলচরগী পোৎলমশিংসু লৈবা অমসুং য়োনবা য়ারবা পোৎলম ওইনা (কম্মোদিটি) শীজিন্নরিবসি সিনেমা, ফোটোগ্রাফি, মেদিয়া, টেলিভিজন, প্রিন্টেদ মেটর লিটরেচর, ম্যুজিক অমসুং ভিজুয়েল আর্টনচিংবনি। য়ু এসকী এক্সপোর্ট ইন্দষ্ট্রিদা খ্বাইদগী চাউনা শরুক য়ারিবসি ইন্টর্টেনমেন্টকী পোৎলমশিংনা ওইরি। খুদম ওইনা মালেম অপূনবগী চাদা ৮৫ দি য়ু এস ফিল্ম প্রদক্সন্না খুদোল তৌরি। মালেমগী ফিল্মগী সংসারদা য়ু এস ফিল্মনা মাঙজিন থানা চত্থরি অমসুং ষ্টেটকী ইকোনোমিদা অচৌবা শেনফম মালেমগী লৈবাকশিংদগী খোমগৎপা ঙম্মী। ৱেষ্টর্ন কনজুমর কলচর মায় পাক্লা য়ু এসনা মালেমদা শন্দোক্লি।

অমরোমদা ঙসিগী ২১ শুবা চহী চা অসিদদি টেলিভিজন লৈতবা ইমুং লৈরক্রে হায়বা য়ারে। ভারত্তা সেলুলর ফোন শীজিন্নবা সবস্ক্রাইবরগী মশীং ঈশিং ঈচাওগুম নোংমা নোংমগী লেপ্তুনা হেনগৎলকই। মসি মীওইবনা হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচন অমগুম্না লৌনরক্লে। অনৌবা টেক্নোলোজিনা মীওইবদা পীরকইবা পোৎলমশিংগী পাম্বৈনা চাউখৎপা লৈবাকশিংগী কলচরগী মশকসু ঙসিদি কম্মোদিটি ওইনা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা শেন্দোংগীদমক শীজিন্নদুনা মীয়ামদা য়াম্না লায়না শন্দোরক্লে। চাউখৎপা কেপিটেলিষ্ট লৈবাকশিংনা মখোয়গী কলচর শন্দোক্লিবা মখৈ লেপ্তুনা থার্ড ৱার্ল্ড লৈবাকশিংদগী শেন্দোং তানশিনবা ঙম্লি। মালেমদা চত্থরিবা কলচরগী লমদা লল্লোন ঈতিক তৌরিবা ইন্টর্টেনমেন্টগা মরী লৈনবদি য়ু এস ইম্পেরিয়েলিষ্টনা মাঙজিন থানা চত্থরি। ফিল্ম চত্থরিবা কলচরগী লমদা লল্লোন ঈতিক তৌরিবা ইন্টর্টেনমেন্টগা মরী লৈনবদদি য়ু এস ইম্পেরিয়েলিষ্টনা মাঙজিন থানা চত্থরি। ফিল্মনা সমাজ অমগী মতেং ওইরি। অশোনবা জাতি অমগী হান্নদগী লৈজরকইবা কলচরেল আইদেন্টিটিদা শিংনরকই। নহা ওইরিবশিংগী ৱাখল্লোন্দা চাউখৎপা লৈবাকশিংগী ফিল্মগী মতৌ তম্নরকই। মণিপুরদা ৱেষ্টর্ন ফিল্ম, হিন্দি ফিল্ম অমসুং কোরিয়ান ফিল্মশিংনা নৌরিবা নহাশিংগী ৱাখলদা ঈথিল পীবা ঙমই। ফিল্মনা পীরকপা কলচরগী অহোংবা মচৎতা মণিপুরগী মহৌশাদগী লৈজরকপা নুপীগী শক্তমদসু শীনরকই, মরু ওইনা অমেরিকানাজেসনগী কলচরগী ইচেলদা পুথদুনা চত্থরকই। ইন্টর্টেনমেন্টগী পোৎলম অমা ওইনা মপাল লমদগী পুশিল্লকপা অনৌবা টেক্নোলোজিগী মফি থোংদবা ফিল্ম (প্রোনোগ্রাফি মুভিজ) মরাং কায়না ঙসিগী ফ্রি মার্কেটকী নিটিদা লমদমসিদা ফঙনবনা, নহা ওইরিবশিংগী ৱাখল্লোনদা নুপী কাঙলূপশিংবু নুপাশিংগী শান্নপোৎকুম উরক্লবগী ৱাখল পুক্রীংদা ফাউহল্লি। নহারোলশিংগী মোরেল লৈখা তারকই। টি ভিদা, মোবাইল ফোনদা নাতৈ চাদবা, মফি থোংদবা পীকচর য়েংনরক্তুনা অমদি নুপাগী নমথাক কয়াদা নুপী কয়া অৱা মৈশা নঙই। মোবাইল ফোনদা নুপা–নুপী খঙনরক্তুনা ব্লুতুথকী খুথাংদা নাতৈ চাদবা ফিল্ম য়েংমিন্নরগা নুপা–নুপী য়ূম্বাল মরী লৈনরুরবা মতুং নুপাদুনা নুপীদুবু লৌগনি হায়না থেম্বীরি। করিগুম্বা ফীভমনা যাদবদগী নুপা–নুপী লৌনা লৈনরবসু ইমুং মনুং মরী–মতানা নুপী অদুবু ওক্তবীনি হায়না ওৎপী নৈবীবা য়াওদবা নত্তে।

সেক্সকা মরী লৈনবা মীহাৎ মীপুন লৈবাক অসিদা মশীং হেনগৎলকই। মসিগী হৌরকফম ৱেষ্টর্নাইজেসনগী কলচর, ৱেষ্টর্ন ফিল্মশিংদগী মমি তারকপনা মরম অমসুনি হায়বা থোইনা লাল্লোই। লুহোংদুনা লৌন–লৈনদ্রিবা নুপা–নুপী য়ূম পানবগী লমদা খোঙদামিন্নবা অরোনবা মরী লৈনবগী চাং ৱাংখৎলকপা অমসুং য়ূম পান্দ্রিবা নুপীমচা অমনা মীরোনবী ওইরকপা, হোংঙকইবা হিংবগী মওং, সমাজসিগী অনৌবা কলচর অসিদা নুপীশিংনা সমাজগী মীনোক মৈশা খ্বাইদগী য়াম্না নংঙি। হিংবদা নুপীশিংগীদি ইজ্জৎ হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইরিবনি। সাইন্স অমসুং অনৌবা টেক্নোলোজি চাউখৎলকপগা লোয়ননা মীওইবগী পুন্সিদা চাউখৎপনা নুংঙাইবা পীবগুম মসিনা ফত্তবা লম্বীদা শীজিন্নদুনা নুপীশিংদা চত্থবা মীওৎ মীনৈদসু হেনগৎনবগী মরম ওইরকই।

ঙসিদি মিদল ক্লাসকী য়ূম খুদিংমক ইন্টর্নেস্নেল টি ভি চেনেল লৈতবা য়াওদ্রে। টি ভি দা শন্দোরক্লিবা প্রোগ্রামশিংগী মনুংদা মীকুপ কাংদনা কৈথেলগী অয়োনপোৎশিংগী কম্পনিগী এদভর্টিজমেন্টনা ওইরি। টি ভি থম্লিবা য়ূম দ্রোয়িং রুম কৈথেলগী অয়োনপোৎশিংগী মরমদা তাকপী তম্বীরিবা ক্লাস রুম অমগুম ওন্থোরক্লে। মরু ওইনা অকে–অমৌ অরু–অহেনগী পোৎলম টি ভি য়েংলিবা মীওইশিংগী পুক্রীংদা অপাম্বা য়াওহল্লিবা, লৈনীংবা পোকহল্লিবা কম্পেনিগী এদভর্টিজমেন্টনি। অনৌবা পুন্সি মহিং অনৌবা কলচর অমদা হোংদোকপা মশানা তারকই। খুদম ওইনা মণিপুরগী য়ূমলৈ–কৈরৈ মমাঙঙৈদা ফুঙ্গা নাইরম্মী, ফুঙ্গা মৈ মুখৎপা তৌহৈদে হায়নরম্মী, অদুবু ঙসিদি কুকিং গ্যাস ষ্টোব থোরকপদগী, গ্যাস লাইটর, মৈখেৎনচিংবা থোক্লকপদগী মমাঙঙৈগী ফুঙ্গা নাইবগী চৎনবী মুৎশিল্লক্লে। য়ূম শেংবদা উয়ান চফূ অনৌবা শিল্লম্বা মৈতৈগী চৎনবী প্রেসর কুকরনা মহুৎ শিনখিবদগী তোক্লখ্রে। ইরু মায়থজবদা কোক লুবদা শীজিন্নরম্বা চিংঙৈগী মহুৎ শাপোন, শমপুনা মহুৎ শিনজিনখ্রে, মীওইবনা হিংবদা নুংঙাই য়াইফনবগীদমক অনৌবা পোৎ পুথোকপা লেপ্পা নাইদে, অনৌবা পোৎ পুথোরকইবা মখৈ হান্নগী অরিবা হিংবগী মওং অদুসু অনৌবা কলচর অমদা মশক হোংদোরকই। মতাং অসিদা মার্ক্সনা ফোঙদোকখিবা মদুদি “Culture is a product of definite historical conditions” মীওইবনা খুন্নাইগী ঈতিহাসকী তাঙ্কক কয়াগী ফীভম অদুগা চানজবা পোখোক অমগুম্না কলচর হায়বসি ওইরকই। মীওইবা হিংবদা হেন্না নুংঙাই য়াইফহনবা ঙম্বা মখলগী কলচরদি (মেতরিয়েল অমসুং ইন্টলেকচুয়েল কলচর) মীওইবা সমাজগী ঈতিহাসকী খোঙচৎতা পুথদুনা লাকই অদুগা মতমগা চুনরক্ত্রবা কলচরগী শক্তম অসিদা নুপীদা হম্বনা য়েংবীবা, নুপীবু ওৎপী নৈবীবা, করিমতা কায়দনা মীওইবা খুন্নাইগী ঈতিহাসকী তাঙ্ককশিংদা মশক হোংদুনা পুথরকইবা মচৎ অদুনি। নুপীগী ভেল্যু হম্ববা, নুপীগী হক মৎপীরিবা লীচৎশিং য়াওরকইবা কলচরগী অসিগুম্বা অহোংবদি নুপী খুন্নাইনা থেংনবা দরকার ওইরি। মালেমদা ঙসি চত্থরকইবা ইম্পরিয়েলিষ্ট গ্লোবেলাইজেসননা লায়রবা ইনাকখূনবা অনীগী খেন্নবগী চাং হেনগৎলকই। লেপ্তনা চাউখৎলকইবা সাইন্স অমসুং অনৌবা টেক্নোলোজি মীপুম তিংনা নুংঙাই য়াইফনা থম্বীববুদি শেঞ্জাউ পায়বশিংগী হেন্না শেন্দোং তানশিনবা য়ানবা মওংদা মরু ওইনা শীজিন্নরকই। হায়রিবা মরমশিং অসিনা নুপানা খুলিংবা সমাজ, নুপীদা ওৎপী নৈবীবা সমাজ হেন্না ময়েক শেংঙকই, নুপীগী শেন্মীৎলোন অমসুং সমাজীক্কী ওইবদা মীখা থাবা হেনগৎলকই, নুপীশিংনা শুরিবা থবক ইমুং মনুং হিংবা ঙম্নবগীদমক মপুংদা থবক শূবা তারকই। হায়রিবা অসিগী মীৎয়েংদদি গ্লোবেলাইজেসন চত্থরকইবসি জেন্দর ন্যুত্রেল ওইদে। মালেমদা ঙসি লৈরিবা অপূনবা লায়রবা মশীংগী চাদা ৭০ দি নুপী, অঙাংশিংনা ওইরি হায়বা পানরি। য়ুনিসেফকী সর্ভে মতুং ইন্না মতম অমগী সোসিয়েলিষ্ট লৈবাকশিংদা, সোসিয়েলিষ্ট ইকোনোমিক চৎনদ্রবা মতুংদা ওইরিবা ফীভম মীওই মিল্লিয়ন ২৫ থবক লৌথোকপীরে মখোয়গী মনুংদা নুপীনা মিল্লিয়ন ১৪ ওইরি। শেন্দোং ফংবনা লায়নীং ওইরিবা শেঞ্জাউ পায়বা মীওই খুজোক খরগী নীতি চৎপা লৈবাকশিংদা ঙসিদি নুপী হায়রিবা কাঙলূপপু শেন্দোং তানবদা নুংঙাইরবা পোৎলম অমগুম ওইহনবীরক্লে। নুপীগী ভেল্যু অদু মার্কেট ভেল্যু ওইনা ওন্থোকপীরক্লে। নুপী–নুপা চপ মান্ননা শুমীন্নবা থবক্তা নুপী শিন্মীগী খূৎশুমন নুপাদগী তাথনা ফংহনবীরি, মদুনা হেন্না শেন্দোং ফংহনবা ঙমই। খূৎশুমন তাথনা পীবা য়াবা রিজার্ব ৱার্ক ফোর্স হায়বদু নুপীশিংনা ওইরকইবা কেপিতেলিষ্ট কলচরনি।

মতমগী হোংলক্লিবা কলচরগী লীক্লমচৎতা ঙসিদি জাতিগী থাক্তদা নত্তনা ব্যুটি কন্টেষ্ট, মোদেলিং, ফেসন সোনচিংবা সহর অমসুং এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুসনশিংগী থাক্তা ফাউবা তোয়না লৈবাকশিংদা পাঙথোরকই। নুপীগী হকচাং অমসুং শক্তমগী মমিনা কৈথেলগী অয়োনপোৎলমদা শেন্দোং তানবগী লমদা শীজিন্নরকই হায়বদি অচৌবা কম্পনিনা পুথোরকইবা অয়োন পোৎলমশিংগী এদভর্টিজমেন্ট নুপীগী শক্তম লাংবা ওইহল্লকই। হকচাং কয়াৎশিংগী মমিনা শীজিন্নবা পোৎকী মশক মগুণ তাকপগা মান্নরকই। ভারত্তা অনৌবা ইকোনোমিক পোলিসি (এম পি জি) চৎনখিবদগী থবক ফংদবা থবক থিরিবা লাইরিক হৈবা মীগী মীশীং ক্রোর ১৫ গী মথক্তা হৌজিক লৈরে। থবক ফংদবা থবক থিরিবা মীগী মীশিংনা ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলকইবা ভারতকী সমাজদা নহা ওইরিবী লাইরিক তম্বা লোয়রবী থবক থিরিবী নুপীশিংনা অচৌবা লনাই কম্পনিশিংদা থবক থিরি। অয়োনপোৎশিংগী এদভর্টিজমেন্টগীদমক মশাবু য়োন্থোকহনবগা মান্নরকই। শেল পীরগা বোদি ইমেজ লৈবা য়ারবদা সমাজগী কলচর ওইরকইবা ফীভম অসিদা নুপীগী অশেংবা শক্তম অমসুং মগুণ মাঙশিল্লক্লে।

মমাঙঙৈগী মতমদগী মালেমদা চত্থরকইবা গ্লোবেলাইজেসনগী প্রোসেস থিংঙুবা ওইথোক্তে। অদুম ওইনমক মসিনা অশোনবা কাঙলূপপু নমথবিবা, ওৎপীবা, তুহৎপীবগী লিচৎশিং য়াওরকপদদি থেংনমীন্নবা তারকই। ইনফোর্মেসন অমসুং অনৌবা টেক্নোলোজিনা খম থেংনা চাউখৎলবা মতমসিদা চাউখ্রবা মালেম অসি খুঙ্গং অমগুম্না ইপীক পীকশিন্না লৌনরক্লে। মালেমগী কৈথেলসু অমখক্তা ওইরক্লে। লৈবাক পুম্বগী জাতি পুম্বনা মালেমগী কৈথেলদগী পোৎ লৈদুনা শীজিন্নরকপসিনা জাতি খুদিংমক্কী হিংবগী মওং কলচরসু অমত্তা ওইবা মশক্তা থোরক্লে। ‘ গ্লোবেল কলচর’ অমনা জাতি পুম্বগী মহৎ শিনজিল্লক্লে মদুনা অশোনবা জাতিগী মশাগী হান্নদগী লৈজরক্লিবা কলচরেল আইদেন্টিটি মতমগী ইরোলনুংদা তপ্না তপ্না লুপথরকই। মালেমগী কৈথেলদা অয়োনপোৎ খ্বাইদগী য়াম্না পুথোক্তুনা শরুক য়াহনবা ঙম্লিবা শক্তি লৈরবা চাউখৎলবা লৈবাকশিংগী জাতিদুগী কলচরেল আইদেন্টিটি অদুদি থোইনা হেন্না পাকথোক চাউথোক্লা শন্দোরকই, ইম্পেরিয়েলিষ্ট লৈবাকশিংগী ইকনোমি হেজিমোনিদা কলচরেল হোমোজিনাইজেসনসু চত্থরি। চাউখৎপা মপূং ফাদ্রিবা, অশোনবা জাতি অমগী পোৎ পুথোকইবা ইকনোমিগা, নুপীগী শক্তম অমসুং কলচরেল আইদেন্টিটি ঙাকপগা মরী লৈনরি। ঙসিদি নুপাশিংনা হকচাংগী কুচু অমসুং শমকক্কী মওং, বোদি ফিগর শেন্বদা য়াম্না থৱায় য়াওবগী চাং হেনগৎলকই। মদুদি কুচু ঙৌবা, মতমগী চুনবা শমকক, পারপ তৌরবা ৱাংবা ৱাখল ফাওহনবা ঙম্বা নুপীগী শক্তম্না ফজবগী পান্দম ওইনা লৌনরে। ৱেষ্টর্ন কলচরগী চৎনবী, মদুদি হকচাংদা য়ারিমখৈ ফি থোংদবা ফিজেৎ লৈতেং মতৌ তম্বনা লেম্নরে। মদুনা করিগুম্বা কান্দা মবুং মৌপ্পাশিংনা হঙ্গোইবা, য়েংবদা মীৎ নাবা ফাওদবা নত্তে। পারপ তৌবা শাবান্না ফজবা চিংবা মদু তানবা নুপীশিংনা ফিগর শেন্বদা চীঞ্জাক্কী অকক্লবা লৈরকপা য়াওদবা নত্তে। মেক অপ হৈবনা মায়গী ফজবা লৈতেং ওইরি। মসিনা ব্যুটি অমসুং আইদেন্টিটিগী লৈনরিবা মরী অদুদসু অহোংবা নায়রকই। মসিনা নুপীগী মহৌশাগী ওইবা ফজবা শক্তম অমদি জাতি মশক তাকপদা মরাই চায়থরি।

চাউখৎলবা লৈবাকশিংগী হিংবদা নুংঙাইহন্নবা পোৎলমশিং লমদমসিদা মরাং কায়না ফংহনবা ঙম্লবসু, মার্কেট ভেল্যু য়াম্না ফগৎলবসু সমাজসিদা মমাঙগী ফ্যুদেল কলচরসু অদুমক পুথদুনা চৎলিবনি। ঙসিগী সমাজসিদা ফ্যুদেল কলচর পুংমুৎ মুত্তৎপা ঙমদ্রি। নুপীশিংগী সোসিয়েল কন্সিয়সনেস নেমহৌরগা চাউখৎপা লমগী অনৌবা পোৎলমশিংনা লমদমসোমদা থুংলরে অমদি শীজিন্নরে। মপান থোংগী অরং অরাক ময়ামশিংনা অশেংবা পুন্সি মহিং অমদা হোংদোরকপনা য়েংবদদি য়াম্না চাউখৎপা মাল্লবসু অন্ধবিস্বাস (সুপর্ষ্টিসন) গী কুয়োমদগী কলচরনা মচু শঙলবসু, য়েংবদদি ৱেষ্টর্নগী নুংঙাইরবা পুন্সি মহিংদা হিংলিবা মাল্লবসু নুংগী ওইবা পুক্রীং লৌশিং, জ্ঞানদি মেদিভেল পেরিয়দকী জ্ঞান্দগী থোইনা হেন্না অহোংবা লৈতবা, পোলিটিকেলগী জ্ঞান য়াম্না নেম্না হিংঙিবসি সিষ্টেম অসিনা নুপীশিংবু নমথবিবদগীনি। নুপানা চাক চাবা লোয়রগা নুপীনা চাক লুখাক চাবগী চৎনবী কোক্ত্রি। লায়রবা ইমুংদা মীরোল্লিবী য়ূমগী মৌ অমনা ইমুংগী নুপা মখৈ চাক চাখ্রবা মতুং চাক লুখাক চাবগী মমাঙঙৈগী চৎনবী ইনবদা মবুক থন্দনা অহিং কয়া অমা লেনবা মীরোনবী নুপী য়াওদবা নত্তে। অউনপোৎ য়ামদবগীদমক মনেম মকুনা মমৌনুপী ওৎপী নৈবীবা চত্থরি। নুপীশিংনসু নুপীবু ওৎপী নৈবীবগী চৎনবী কোক্ত্রি। সমাজসিদা নুপীশিংদা চত্থরিবা মীওৎ মীনৈ, নুপীবু নমথবিবা, নুপীশিংনা থেংনরিবা সমাজগী সমস্যা খুদিংমক মথন্তা ওইজরকপা নত্তে, লাইবক্তা অক্সসু নত্তে। মীবু মীনা ওৎপীরিবা নিতিগী (ক্লাস এক্সপ্লোইতেসন) মনুংদা মশানা তানা নুপী ওৎপীবা, নুপীবু নমথবিবা হায়বসি সিষ্টেমদা য়াওজরকপনি। মরম অদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেন্দ্দা, নুপীদা শক্তি হেন্না শিন্নবীনবা, নুপীগী হক তানবদা মান্নবা খুন্নাই অমগী পান্দম মনুং চন্না কাঙলূপকী লড়াই চত্থবদা নুপীগী অপূনবা শক্তিগী লাম্থেংমীন্নবা তারকই।